# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 15-05-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈদা লৈবা চান্দেল জিলাগী খেংজোই তেহ্সিলগী মনুং চনবা নিউ সোমতাল খুলদা অসাম রাইফলসকা চীংগী লালহৌবনি চিংনবশিংগা খুৎ থোকবদা লালহৌবা ১০ শিরে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তমদা চত্থবা ওপরেসনশিংদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় অমসুং আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপকী মীওই কয়া ফারে।

অমসুং

৩) সরকারনা ইন্দিয়া সেমি কন্দক্তর মিসনগী মখাদা ৬ শুবা সেমি কন্দক্তর প্লান্ট উত্তর প্রদেশতা শারগনি।

------

এআর (এল)ঃ ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈদা লৈবা চান্দেল জিলাগী খেংজোই তেহ্সিলগী মনুং চনবা নিউ সোমতাল খুলদা অসাম রাইফলসকা চীংগী লালহৌবনি চিংনবশিংগা খুৎ থোকবদা লালহৌবা ১০ শিরে।

অসাম রাইফলসনা ঙমখৈ পরিং অসিদা খুৎশু খুৎলায় পায়বা লালহৌবশিং চৎথোক চৎশিন তৌরে হায়বগী অককবা পাউ অমা ফংবদগী মফম অদুদা চংশিল্লুবদা লালহৌবশিং অদুনা সেক্যুরিতি ফোর্স তমা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি হায়রি। থৌদোক অদু হৌখিবা অহিংদা থোকখিবনি। অকাশবানি ইম্ফালনা ফংবা পাউ অমগী মতুংইন্না শিরবা মীওইশিং অদু মশক

খঙদোকবা হোৎনরি। হৌজিকসু মফম অদুদা মখা তানা থিবা হুম্বগী থবক চথুরি হায়রি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তমদা চথুবা ওপরেসনশিংদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় অমসুং আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপকী মীওই কয়া ফারে।

মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়- বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা আইগেজাং অমসুং লৈমরাম উয়োক চীংদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা পোইন্ট থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, পোইন্ট থ্রি নোট থ্রি স্নাইপ্পর অমা, সিঙ্গল বেরেল রাইফল অনি, হেন্দ গ্রেনেদ অমা, দিটোনেতর অনি, ফোর্তি এম.এম লেথোদ গ্রেনেদ অমা য়াওনা অতৈ খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

থৌবাল জিলাগী নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা লৈরোংথেল প্রিতাদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অনি ফারে। মখোয় জিলা অসিদা আইন্না য়াদবা মওংদা শেল খায়বদা চেন্নবশিংনি। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা য়াওনা মরু খরসু ফাগৎলে হায়রি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা বিষ্ণুপুর জিলাগী কাংমোং মৈস্নাম মনিং লৈকাইদগী য়ু.এন.এল.এফ (কোইরেং)গী এক্তিভ কাদর অমা অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মোংজম মমাং লৈকাইদগী য়ু.এন.এল.এফ (পি) এক্তিভ কাদর অমসু ফারে। মখোয় তম্পাক্কী কার্গো এজেন্সিশিংদগী শেলগী দিমান্দ তৌবদা চেন্নবা মীওইশিংনি।

চুরাচান্দপুর জিলাদগী সি.কে.এল.এ-য়ু.পি.এল.এফ (নোন-সু) গ্রুপকী সেল্ফ ষ্টাইল সার্জেন্ট মেজর অমসু ফারে। মঙোনদগী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু অহুম অমসুং নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা ফংবা ঙমলে।

মণিপুর পুলিসনা ককচিং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা লমদোং এরিয়াদগী য়ু.এন.এল.এফ কোইরেংগী মীওই অমা, ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা ৱাইখোং নিংথৌমনাই এরিয়াদগী কে.সি.পি (তাইবঙ ঙানবগী) মীওই অমসু ফারে হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা হায়রি- থা অসিগী ২০ দগী হৌগদৌরিবা শিরুই লিলি ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়ানবা মীতৈশিংনা উখ্রুল তমা চৎপদা কুকি তাবা মফমশিং ফাওদুনা চৎপা য়ারোই হায়না থিংলিবা কুকি জো ভিলেজ ভোলুন্তিয়ার-ইষ্টর্ন জোন হায়বা ওর্গনাইজেসন অসি লমদম অসিদা লৈতে। মরম অসিনা শকখঙদবা লুপশিংনা থোকপা ৱাফমশিং থাজবীগনু অমদি লাক্কদৌরিবা শিরুই লিলি ফেষ্টিভেল অসিগী য়েংলগা সেক্যুরিতিগী ওইবা চপ চাবা থবকশিং পায়খৎলে।

মণিপুর পুলিসনা অখন্ননা চথুবা দ্রাইভ অমগী মখাদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী হুরানখিবা গাড়ি ১০ অমসু ফাগৎপা ঙমখ্রে।

এময়ু (এল)ঃ ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ সোসিয়েল সাইন্স রিছার্স (আই.সি.এস.এস.আর) নিউ দিল্লিগী শেন্থং মখাদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইজ্‌কেসন্না শিনবা নুমিৎ ১০ নিগী রিছার্স মেথোতোলোজি কোর্স ঙসি লোইশিল্লগনি। থা অসিগী ৬ তগী হৌখিবা কোর্স অসিদা রিছার্স তৌরিবা স্কোলার, একাদমিসিয়ান অমসুং পোষ্ট ডোক্তরেল ফেল্লোশিংদা রিছার্স তৌবগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা তাকপী তন্বীখি।

ইমো (এল)ঃ এম.এল.এ আর.কে. ইমোগী মীৎয়েং মখাদা শগোলবন্দ কন্সটিট্যুন্সি প্রোগ্রেসিভ কমিতি অমসুং বি.জে.পি শগোলবন্দ মন্দলনা কুমশি চহিগী কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন্না লৌবা ক্লাস তুয়েল্বকী পরিক্ষাদা কেন্দ্র অসিগী মার্ক ৱাংনা ফংবা মহৈরোইশিং ওকপগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। এম.এল.এনা মহৈরোইশিং অদুদা লুপা লিশিং ১০-১০ পীখি।

অসাম ঃ অসামগী শ্রীভুমি পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা নিলম বজার রেলৱে ষ্টেসনদগী গ্রাম ৬০০ রোমগী ড্রগ পুরন্বা নুপী অনি অসাম পুলিসনা ফারে। ড্রগ অসি লুপা কোতি ৩ লাখ ৫০ রোমগী মমল ওইগনি হায়রি। অসামগী মুখ্য মন্ত্রি

হিমন্ট বিশ্বা শর্ম্মনা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা মহাক্কী ৱারোল অমদা হায়- অসাম পুলিসনা হনবা লৈতনা ড্রগকী মায়োক্তা খোঙজং চংশিনখিগনি।

সেমি কন্দক্তর ঃ ইন্দিয়া সেমি কন্দক্তর মিসনগী মখাদা লৈবাক অসিগী ৬ শুবা সেমি কন্দক্তর পান্ট উত্তর প্রদেশকী জেৱা এয়ারপোর্ট মনাক্তা য়ুনিত অমা লিংবা সরকারনা য়ারে। নিউ দিল্লিদা ঙরাং ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়- য়ুনিত অসি ইন্দিয়া সেমি কন্দর মিসন্না ঐচ.সি.এল অমসুং ফোক্সকোনগা খুৎশমনা লিংগদবনি। অনৌবা সেমি কন্দক্তর য়ুনিতশিং অসি লিংবদা লুপা কোতি লিশিং ৩,৭০০ চংগনি।

মন্ত্রিনা হায়- সেমি কন্দক্তর য়ুনিত ৫ দি শেমগৎ শাগৎপগী থবক চথুবা হৌরে। ৬ সুবা য়ুনিতসু লিংনবা থৌরাং পায়খৎলে। য়ুনিতশিং অসি লিংনবা হোৎনবদা মহৈরোই অমসুং ওন্তরপ্রেন্যুর ২৭০ অমদি ষ্টার্টঅপ ৭০ না খ্বাইদগী নৌবা টেকোলোজি পুথোক্তুনা অকনবা মওংদা থবক পায়খৎলি।

জেকে ঃ জম্মু-কাশ্মীরগী পুলৱামা জিলাগী ত্রাল অৱন্তিপুরা এরিয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা তেরোরিষ্টশিংগা ঙসি অয়ুক খুৎ থোকখ্রে। পুলিসকী ৱাঙাংলোই অমনা হায়- ঙসি নোংমৈ কাপবগী থৌদোক অদুদা জম্মু এন্দ কাশ্মীর পুলিস অমসুং অতোপ্পা এজেন্সিশিং শরুক য়ারি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি অশোক অপন য়াওবগী পাউ লৈতে। হৌজিকসু মখা তানা খুৎ থোকরি। অকুপ্পা পাউ ঙাইহিরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

জষ্টিস গভাই লৈবাক অসিগী চীফ জষ্টিস ওইনা ৱাশক লৌখ্রে অমদি স্পিকরদা লুচিংবা টিম অমনা লৈখিদ্রবা লান্মী চিংঙাখম দিপক্কী ময়ুমদা চত্তুনা ইমুংগী মীওইশিংগা উন্নখ্রে হায়বা পাউ অসিনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ট্রাইবেল এসেমব্লি কন্সটিটুয়্যন্সি মশিং হেনগৎহনবীয়ু, বজেৎ শরুক অনি থোকা শেন্বীয়ু হায়না টি.এন.এলনা গভর্নরদা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা পোকফমগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

অৱাং নোংপোক লমদমগী রাজ্যশিংদা বার্থ অমসুং দেদ রেজিষ্টর তৌবগী চাং চাদা চামা ওইরে অমসুং য়ুনাইতেদ নেসন্সনা দ পিপলস ক্রোনিকলগী কলমনিষ্ট শলাম রাজেশপু লন্দনদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমগীদমক বার্তন তৌরক্লে হায়বা পাউ অসিনা পাউচে অসিমক্কী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নিংথৌখোং রিলিফ কেম্পকী মহৈরোই ৭ কুমশি চহিগী মেত্রিক পরিক্ষা পাস তৌরে হায়বা পাউ অসিনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মীতৈশিংদা কুকি খুল ফাওদুনা শিরুই লিলি ফেষ্টিভেল শরুক য়াবা য়ারোই হায়রুবদগী নাগা মীয়াম মৈ হৌনা শাউখ্রে, এন.এস.সি.এন অমদি টি.এন.এলনা ৱার্নিং তৌখ্রে হায়না নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি গানফিউ মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অনিতা আনন্দনা কেনাডাগী ইন্দিয়ান ওরিজিনগী অহানবা মপান থৌরম পুবা মন্ত্রি ওইরে হায়বা পাউ অসিনা তমেংলোং টাইমসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা ১৭ শুবা হেবিটেট ফিলম ফেষ্টিভেলদা মণিপুরী ফিলম বুং অমসুং লংদাই অমা উৎলগনি হায়বা পাউ অসিনা মণিপুর মেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ইন্তিগ্রেতেদ ফার্মিং তৌদুনা চহিদা লুপা লাখ ৬ তগী ৭ ফাওবা তানবা ঙমলে, লৌমীশিংনা ইন্দিজিনস টেকোলোজি নোলেজদা মীৎয়েং থম্বা মতম ওইরে হায়বা পাউ অসিনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ভারত লান্মীনা এক্স-সার্ভিসমেন রেল্লি অমা সেনাপতিদা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ইন্দিয়া পুন্বা পাঙথোকখিবগুম মণিপুরদসু তিরঙ্গ যাত্রা রেল্লি চৎখ্রে হায়বা পাউ অসিনা সনালৈবাক্কী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

-------